# মুম্বাই সিটি এফ সী অমসুং এফ সী গোৱা পাঞ্জল ৩/৩ চন্নরগা দ্রো চৎপদগী পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখ্রে



9th Feb, Tuesday (88th Match)
Bengaluru FC
vs
ATK Mohun Bagan
Time : 7:30 PM

বম্বোলিম, ফেব্রুৱারী ০৮(এজেন্সী):
ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চৎলিবা সিজন অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা পোইন্ট টেবলগী মকোক থংদুনা লৈরিবা মুম্বাইসিটিএফসীগাএফসী গোৱাগা শান্নবদা পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিগী মাংওইননা মুম্বাই সিটি এফ সী মেটচ ১৫ শান্নখিবদা পোইন্ট ৩৩ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি। অমরোমদা এফ সী গোৱা মমাংগী মেটচ ১৫ শান্নবদা পোইন্ট ২২ ফংলগা মঙাশুবদা লৈরম্বনি।

শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী হুগো বোমোসনা ফংখিবা বোল অমা এফ সী গোৱাগী গোলকিপর ধীরজবু মায়থীবা পীরগা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ২৬শুবা মিনটতা মখা তাবা এটেক অমদা মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদগী মণিপুর মচা বিপিননা কাওরকপা বোল অদু টিমমেট অদাম লি ফোন্দ্রেনা চোংখৎলগা হেদ তৌশিন্দুনা অনীশুবা পাঞ্জল ওইখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লমদাইদা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী গ্লেন মার্টিন্সনা কাওশিনখিবা বোল অমদা মুম্বাইগী গোলকিপর অর্মিন্দর লাম্হোল্লগা পাঞ্জল ওইখি।

অনীশুবা হাফতা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী আইগোর অনগুলোনা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না ফজবা মওংদা মুম্বাই সিটিগী দিফেন্দরশিং অদুবু লাম্হোত্তুনা পুশিল্লগা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনটতা মুম্বাইগী রাওলিন বোর্জিসনা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-২দা মাঙজিল থাখি। অদুবু ইঞ্জুরি টাইমদা গোৱাগী ইসান পন্দিতানা ইক্বেলাইজর চল্লগা দ্রো চৎখি।



*এফ সী গোৱাগী গোলকিপর মণিপুর মচা মোইরাংথেম ধীরজনা বোল ফানবা চোংখিবা*

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 16 | 10 | 4 | 2 | 25 | 11 | 14 | 34 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 15 | 9 | 3 | 3 | 20 | 10 | 10 | 30 |
| 3 | FC Goa | 16 | 5 | 8 | 3 | 24 | 19 | 5 | 23 |
| 4 | Hyderabad FC | 16 | 5 | 8 | 3 | 20 | 16 | 4 | 23 |
| 5 | Northeast United FC | 16 | 5 | 8 | 3 | 21 | 20 | 1 | 23 |
| 6 | Bengaluru FC | 16 | 4 | 7 | 5 | 19 | 19 | 0 | 19 |
| 7 | Jamshedpur | 16 | 4 | 6 | 6 | 15 | 19 | -4 | 18 |
| 8 | Chennaiyin FC | 16 | 3 | 8 | 5 | 11 | 16 | -5 | 17 |
| 9 | East Bengal Club | 16 | 3 | 7 | 6 | 14 | 21 | -7 | 16 |
| 10 | Kerala Blasters FC | 16 | 3 | 6 | 7 | 20 | 27 | -7 | 15 |
| 11 | Odisha FC | 15 | 1 | 5 | 9 | 14 | 25 | -11 | 8 |

## ১৩শুবা সাহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# সাইনিক এফ সীনা ত্রাওবু ৪-০দা থোইখ্রে, ক্লাসিকনা হিয়াইবু, অদুগা কে ৱাই ভি ওনা অমোফা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস):
সাইনিক এফ সীনা ত্রাও রিজর্ভসপু পাঞ্জল ৪-০দা, ক্লাসিক এফ সীনা হিয়াইবু পাঞ্জল ২-১দা অমসুং কে ৱাই ভি ওনা অমোফাবু ৩-০দা থোইখ্রে।

১৪৩ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা আইজিপি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী লমজিং মখাদা ঙরাংদগী হৌখিবা ১১শুবা সাহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিয়ল ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সাইনিক এফ সীনা ত্রাও রিজর্ভসপু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা সাইনিক এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা সাইনিক এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ চিংলেম্বনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মিনট ২ লৈরগা টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৮ নাওচানা টিমগী পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মাঙজিল থাখি। ত্রাওগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা সাইনিক এফ সীগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা চিংলেম্বনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগ ৩-০দা মাঙজিল থাখি। ২শুবা হাফতা ত্রাওগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা শান্নরকখি। অদুবু মখোয়গী মশান্না অদু সাইনিক এফ সীগী দিফেন্দরশিং অদুনা নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা লৈখিবদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা সাইনিককী মায়কৈদগী মখা তানা রোনাল্ডো জর্সি নম্বর ১৪না টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা থোইখি।

ঙসি অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা ক্লাসিক এফ সীনা হিয়াইবু ২-১দা থোইখি। মেটচকী অহানবা হাফ নাকল অনীমক্তুগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা ক্লাসিককী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৯ বিধ্যানন্দনা পাঞ্জল চনবা হৌখি। শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা ক্লাসিককী মায়কৈদগী পাওজিলেন মাটেনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা হিয়াইবু ২-০দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা হিয়াইগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৮ জোটিননা পাঞ্জল অমা হন্দোক্তুনা ইক্বেলাইজর ফংনবা অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা মখা তারকখি। অদুবু পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী ১-২দা মায়থীখি।

ঙসি অতোপ্পা মেটচ অমদা কে ৱাই ভি ও ক্লাসিফাই অমসুং অমোফা মোইরাং লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই ৩৯শুবা মিনটতা কে ৱাই ভি ওগী জর্সি নম্বর ১০ দল্লিয়ু দিঙ্কুনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। হাফ মতুংগী লম্বাদা কে ৱাই ভি ওগী জর্সি নম্বর ১১ কে জিমিকনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ৮১শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১৮ কে জিনভিলুংনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি।

হয়েং অহানবা মেটচতা ৱাফা ৱাঙ্গোই অমসুং জি দি সী থিনুঙ্গৈ শান্নগনি। রাও লাইরিকয়েংবম অমদি এল ৱাই সী সী লিৱা চঙনিং লোয়ননা নাকো অমসুং এস ৱাই সী নোনে শান্নগনি।



*ত্রাও রিজর্ভসকী মায়োক্তা সাইনিক এফ সীগী শান্নরোয়না গোল তম্না বোল কাওনবা হোৎনখিবা*

# পি টি আর সিনা ৱাই দব্লিউ সি রন ১১৪দা থোইখ্রে, কে সি সি, কে এস দি ও অমসুং ঈ এস য়ুসু মখোয়গী মেটচ মায়পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস):
পি টি আর সি পাটসোইনা ৱাই দব্লিউ সি লাংথবালবু রন ১১৪দা মায়থীবা পীখ্রে অদুগা প্লেট গ্রুপ্তা কে সি সি, কে এস দি ও অমসুং ঈ এস য়ুসু মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং থোইবা ঙমখ্রে।

৫শুবা এম এন সি এ দব্লিউ প্রহ্লাদ অমসুং দব্লিউ রমানন্দ এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংশাংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ১২শুবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা পি টি আর সিনা বেটিং তৌরকপদা ওভর ৩৫দা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১৬২ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী ৫শুবা বেটসমেন এন জি জোন্সননা আউট ওইদনা বোল ৫৯দা রন ৫৫ লৌখিবা মশান্না অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন জোটিন পি ঐচনা রন ৩২ লৌরম্বা অদুসু পনবা য়াই।

মায়পাক্লনবা ৱাই দব্লিউ সিনা রন ১৬৩ লৌগদবা অদু পি টি আর সিগী বোলরশিংনা য়াম্না ফজবদগী ৱাই দব্লিউ সিগী বেটসমেন ১০মক ওভর ১৪গা বোল ৫দা শুপ্নগী রন ৪৮দা আউট তাহন্দুনা মেটচ অদু পি টি আর সিনা রন ১১৪দা থোইখি। মেটচ অদুদা পি টি আর সিগী কেপ্টেন আর কে রেক্সনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি। গ্রাউন্দ অসিদা হয়েং ১৩শুবা মেটচ ওইনা থাউ, থাংমৈবন্দ অমসুং ব্লু হোক, খুরাইগা লম্বা তৌনগনি।

প্লেট গ্রুপকী ঙসি থৌবালগী মোইজিং প্লেগ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৪১শুবা মেটচতা কে সি সিনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ৩৫দা ৱিকেট ৫খক আউট ওইরগা রন ২৫৪ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটসমেন সঞ্জিৎনা রন ৮২ লৌবা ঙমখিবা অদুগা ওপনর এম রানোজিৎনা রন ৮০ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী ওইনা য়াম্না ফজবা স্কোর ওইখি। বিকাশসু রন ৩৯ লৌরমখি।

মেটচ মায়পাক্লবা ৱাই দব্লিউ সি (পি)না রন ২৫৫ লৌগদবা অদু ওভর ২৮গা বোল ৩দা বেটসমেন ১০মকরন ৯৫দা আউট ওইখিবদগী মেটচ অদু মখোয় কে সি সিগী মখুত্তা রন ১৫৯দা মায়থিখি। রন ৮২ লৌখিবা কে সঞ্জিৎ শর্ম্মানা মেন ওফ দি মেটচ তাখি। হয়েং এস এস য়ু অমসুং আর সি সি লম্বা তৌনগনি।

মোদেল হায়র সেকেন্দরী অমসুং ওরিএন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৪২শুবা মেটচতা পি এস সিনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। কে এস দি ওনা ওভর ৩৫ শান্নরকপদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৮১ লৌবা ঙমখি। মেটচ অদু মায়পাক্লবা পি এস সিনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু ওভর ২৫গা বোল ৫দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইদুনা রন ৮৫খক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু কে এস দি ওনা রন ৯৬তা থোইবা ঙমখি। কে এস দি ওগী মায়কৈদগী বোলর তারিখ অমসুং সহা নৱাজনা ৱিকেট ৩/৩ লৌবা ঙমখি। কেপ্টেনসু ওইরিবা তারিখনা ঙসিগী মেটচ অদুদা রন ১৪ লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবগীদমক মেন ওফ দি মেটচ তাখি। গ্রাউন্দ অসিদা টি সি এম দি সি অমসুং য়ু সি সি লম্বা তৌনগনি।

প্লেট গ্রুপকী ৪৩শুবা মেটচ অদু লাংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখি। মেটচ অদুগী টোস ঈ এস য়ুনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর মেহুলনা রন ১৩৮ লৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা অহানবা সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বা বেটচমেন ওইখি। মহাক্না অপুনবা রন অদু য়ৌরকপদা বোল ১১৩খক মায়োক্লখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী হেরোজিৎনা রন ৬৯ অদুগা নিশিকান্তনা রন ৪৩ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ৩৫ শান্নরকপদা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ৩০৫ লৌবা ঙমখি।

মেট অদু মায়পাক্লবা এস দি সিনা শান্নরকপদা ওভর ২৫গা বোল ৫দা ৱিকেট ১০মক রন ১৪৫খক লৌখিবদগী মেটচ অদু মখোয় ঈ এস য়ুগী মখুত্তা রন ১৬০দা মায়থীবা নংখি। মেটচ অদুদা রন ১৩৮ লৌবতা নত্তনা এস দি সিগী বেটচমেন ৫শুবা আউট তাহনখিবা মেহুলবু মেন ওফ দি মেটচকী মনা পীখি। হয়েং গ্রাউন্দ অসিদা ক্রাউ অমসুং ৱাই য়ু সি সি লম্বা তৌনগনি।

# শাহ ৱারিয়র অমসুং পি য়ু এফ সী মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস):
পোরোম্পাৎতা লৈবা ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবকী শান্নবুংদা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা শাহ ৱারিয়র ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাইনা সী এম কে গোলাপটিবু পাঞ্জল ৫-১দা থোইখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা পি য়ু এফ সীনা লম্বোইবা এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে।

শাহ ৱারিয়রগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। মেটচকী ৩শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৫০ বিকাশনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ৭শুবা মিনটতনা শাহ ৱারিয়রগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ গুলজরনা টিম অদুগী ২শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

সী এম কেগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংখিদে। ১০শুবা মিনটতা শাহ ৱারিয়রগী জর্সি নম্বর ১৫ লনচেনবনা ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং ১৮শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৪০ সবির অলিনা ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অনীশুবা হাফকী হেক হৌরকপা মিনট ২ ফাদ্রিঙৈদা শাহ ৱারিয়রগী জর্সি নম্বর ৪৫ অজিজনা টিম অদুগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। সী এম কে গোলাপটিগী মায়কৈদগী মেটচকী অনীশুবা হাফ অদুগী ৩শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৭ রুহিদনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমদবদগী সী এম কে গোলাপটি পাঞ্জল ১-৫দা মায়থীবা নংখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা পি য়ু এফ সী অমসুং লম্বোইবা এফ সীগী লম্বাদা অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপগী ১৩শুবা মিনটতা পি য়ু এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ রাউফনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ১৫শুবা মিনটতনা টিম অদুমক্কী জর্সি নম্বর ১৭ মেহতাবনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অমরোমদা লম্বোইবা এফ সীগী মায়কৈদগী ১৯শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৪৪ অসিফনা পাঞ্জল ১ চনখি।

# মাষ্টর্স এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস):
ছটিশগরদা মার্চ ২০দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৪২রকশুবা নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক চেম্পিয়নশিপ ২০২১দা শরুক য়ারুনবা খল্লবা মাষ্টর্স এথলিটশিংনা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা চীংমৈরোংদা লৈবা মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসনগী ওফিসতা নুংথিল পুং ১দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি ফোর্ম থাজিন্নবা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# বোদি বিল্ডিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস):
উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্মৌদা এপ্রিল ৩ অমসুং ৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০শুবা ফেদরেসন কপ ২০২১দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম শেম্নবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা মার্চ ৭কী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসনগী ওফিসতা ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# নীনি শুবা নুমীৎতা পূন্না ইভেন্ট ৩৮দা শান্নরোয়শিংনা লম্বা তৌনখি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস):
থাঙ-তা শঙলেন য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা ঙরাংদগী হৌখিবা ৩১শুবা ষ্টেট থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি নীনি শুবা নুমীৎতা জুনিয়র অমদি সিনিয়রগী কেটগোরিশিংদা ইভেন্ট ৩৮দা লম্বা তৌনখ্রে।

জুনিয়র বোইজকী ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টতা কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা চিংঙারেম্বী থাঙ-তাগী এ জিমিনা গোল্ড ফংখি। কেজি ৬৫দা থাঙ-তা মহৈকোলগী দিজেন শগোলশেমনা গোল্ড মেদল লৌখি। জুনিয়র গর্লসকী ফুনবা অনীগী কেজি ৪০দা ওল জিরিবাম থাঙ-তা এসোসিএসনগী এম সোনালিনা মকোক ওইখি। কেজি ৪৪গীদা ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তাগী চান্দনি সুনারনা মকোক ওইখি। কেজি ৪৮গীদা কংলৈ থাঙ-তা মাকলংগী টি রোশিতানা গোল্ড ফংখি। কেজি ৫২গীদা থোইবী থাঙ-তা মোইরাংগী কে থাজনা মকোক ওইখি। কেজি ৫৬কীদা ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা মোইদাংপোককী কে মেরিনানা গোল্ড লৌখি। লোয়ননা কেজি ৬৫গীদা থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী এস রোজিকানা গোল্ড লৌখি।

সিনিয়রগী কাঙলূপ্তা পাঙথোকখিবা ফুনবা অমা ইভেন্টকী কেজি ৪৬তা চিংঙা লাইরেম্বী থাঙ-তা শীংজমৈগী তেলহৈবা অসেমনা গোল্ড ফংখি। কেজি ৫০গীদা মীতৈ ইনাৎ থাঙ-তা শিন্দম শঙ পাঙ্গৈগী এন বিশ্বরজিৎ মীতৈনা গোল্ড ফংখি। কেজি ৫৪দা কংলৈপাক রোয়ল থাঙ-তা সগোলবন্দগী এল শিতলনা গোল্ড ফংখি। কেজি ৫৮গীদা ইবুধৌ কোরৌহনবা মোইদাংপোককী সী ঐচ অবাসনা গোল্ড লৌখি। কেজি ৬২গীদা মালেম অপূনবা থাঙ-তাগী অরুবম বিজুনা গোল্ড লৌখি। কেজি ৬৬কীদা পাহুলাসি ময়াই কোইবীগী পি বাবিনা গোল্ড ফংখি। কেজি ৭০দা পাহুলাসিগী এম লমঙানবা মীতৈ, লোয়ননা মফম অদুমক্কী এল সোমোরজিৎনা কেজি ৭৫গীদা গোল্ড ফংখি। অদুগা কেজি ৮০ মথক্তনা চীংঙা লাইরেম্বী থাঙ-তা শীংজমৈগী এ লক্কিনা গোল্ড ফংখি।



সিনিয়র মেন্সকী ফুনবা অনী ইভেন্টকী কেজি ৪৬কীদা থাঙ-তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী ঐচ মঙাললৈবা মীতৈনা গোল্ড ফংখি। কেজি ৫০গীদা ইবুধৌ কোরৌহনবা থাঙ-তা মোইদাংপোককী সী ঐচ রিশিকান্তনা মকোক ওইখি। কেজি ৫৪গীদা খা-মণিপুর থাঙ-তা ৱাবগাইগী ঐচ ঙাম্হোইবনা মকোক ওইখি। কেজি ৬২গীদা চীংঙা লাইরেম্বী থাঙ-তাগী এ বন্তিনা গোল্ড ফংখি। কেজি ৬৬কীদা খা-মণিপুর থাঙ-তাগী তোন্দোনবা ৱাহেংবমনা গোল্ড, কেজি ৭০গীদা থাঙ-তা মহৈকোলগী এস ঐচ কেনেজিৎনা গোল্ড, কেজি ৭৫গীদা খা-মণিপুর থাঙ-তাগী কে বিকাসনা গোল্ড ফংখি। কেজি ৮০গীদা থাঙ-তা মহৈকোলগী এস সুরচন্দ্রনা গোল্ড অদুগা কেজি ৮০ মথক্কীদা চীংঙা লাইরেম্বী থাঙ-তাগী আর কে মোমোচানা মকোক ওইখি।

সিনিয়র ৱিমেনগী ফুনবা অনী ইভেন্টকী কেজি ৪৪গীদা থাঙ-তা মহৈকোলগী এস সনাতোম্বীনা গোল্ড, কেজি ৪৮গীদা থাঙ-তা মহৈকোলগী এল সোফিয়া চনুনা গোল্ড ফংখি। কেজি ৫২গীদা মালেম অপূনবা থাঙ-তাগী পি সাধনানা গোল্ড লৌখি। কেজি ৫৬কীদা চীংঙা লাইরেম্বী থাঙ-তাগী এল রিনাবাই চনুনা গোল্ড লৌরগা কেজি ৬০গীদা পাহুলাসি ময়াই কোইবীগী এন তোম্বীনা গোল্ড লৌখি।

নুপীগী ফুনবা অনীগী ইভেন্টকী কেজি ৪৪দা চীংঙা লাইরেম্বী থাঙ-তাগী এ অঞ্জনা চনুনা গোল্ড লৌখি। কেজি ৪৮গীদা এল এন পি টি এল কে থাঙ-তা ময়াং ইম্ফালগী কে অনুপামা চনুনা মকোক ওইখি। কেজি ৫৬কীদা সেঞ্জম খুনৌ থাঙ-তা একাদেমিগী এম মেলোদিনা গোল্ড ফংখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী ঙাকুইনি সাইজানা সিলভর ফংখি। কেজি ৬৪গীদা অঞ্জিকা সঙাইপ্রৌগী এল দুলিনানা গোল্ড ফংখি। কেজি ৬৮গীদা লুৱাং থাঙ-তা খুরাই সাজোর লৈকাইগী এল মার্সিয়ান চনুনা গোল্ড ফংখি। অদুগা চীংঙা লাইরেম্বী থাঙ-তা শীংজমৈগী এ দাইনানা কেজি ৭২গীদা গোল্ড লৌখি।


+91-8431803610, +91-9362273890
lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com
Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB, Imphal East Dist., Manipur (795010)

LANLEIMA VENTURES PVT.LTD.

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT
Vide letter no. LVPL/REC/001-2020, Dec. 29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in Lanleima Ventures Private Limited. A Pvt. Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA New Delhi under Companies Act. 2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos. | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | General Manager | 01 | MBA (Fin.) | 18,000/- - 36,000/- |
| 2. | Asst. Gen. Manager | 01 | MBA (Fin.) | 16,000/- - 32,000/- |
| 3. | Branch Manager | 02 | MBA (Fin.) | 14,000/- - 28,000/- |
| 4. | Asst. Br. Manager | 02 | BBA (Fin.) | 12,000/- - 22,000/- |
| 5. | Project Manager | 04 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 6. | Project Consultant | 06 | BBA | 12,000/- - 22,000/- |
| 7. | Office Secretary | 01 | Graduate | 10,000/- - 18,000/- |
| 8. | Computer Optr. | 08 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |
| 9. | BDO | 120 | 10+2 | 06,000/- - 10,800/- |
| 10. | Cashier | 02 | B.com | 07,500/- - 12,000/- |
| 11. | Loan Manager | 06 | Graduate | 08,000/- - 16,000/- |
| 12. | Loan Officer | 08 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 13. | CRM | 02 | BBA/MBA | 08,000/- - 16,000/- |
| 14. | CRO | 04 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 15. | Office Assistant | 02 | XII | 06,000/- - 10,800/- |
| 16. | Recovery Staff | 48 | 10+2 | 08,000/- - 12,500/- |
| 17. | Marketing Manager | 02 | MBA Marketing | 12,000/- - 28,000/- |
| 18. | Marketing Excutive | 12 | Graduate | 07,500/- - 16,800/- |
| 19. | Loan Inspectors | 05 | 10+2 | 06,500/- - 12,500/- |
| 20. | Accountant | 02 | B.com wt. tally | 07,000/- - 12,000/- |
| 21. | Finance Executive | 15 | X or XII | 06,500/- - 12,500/- |
| 22. | Co-ordinator (Livelihoods @ Farm) | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 23. | Cluster Co-Ordinator | 12 | Graduate | 08,500/- - 18,000/- |
| 24. | Cluster Dev. Officer | 20 | Graduate | 07,500/- - 12,000/- |
| 25. | PRO | 08 | 10+2 or Graduate | 06,500/- - 12,500/- |
| 26. | Pro. Dev. Executive | 12 | 10+2 | 07,500/- - 12,000/- |

Interested Candidates may collect the application form from the Head Office of the Lanleima Ventures Private Limited located at Khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is wednesday the 10th Febuary, 2021. For more details please contact us @ Mail ID : lanleimaventuresprivatelimited@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Lanleima Ventures Private Limited

HL-P/8725/29/1-12/2



DELTA ONE SECURITY SERVICE (OPC) PVT. LTD.

NOTIFICATION FOR RECRUITMENT
Vide letter no. DELTA/REC/0010-2020.Dec.29

Applications are invited from the intending Candidates for the Engagement of the following positions in DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) PVT. LTD. A Pvt Ltd. Company by constitution duly Regd. under MCA , New Delhi under Companies Act.2013.

| Sl. No. | Name of Post | Nos | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Chief Security Officer | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Col.(Retd.) | 25000/- -38000/- |
| 2. | Security Superintendent | 01 | EX.Army/Navy/Airforce Equiv. to Rank of Maj. | 22000/--34000/- |
| 3. | Security Officers | 02 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 4. | Security Supervisors | 06 | Ex. Servicemen | 12000/--22000/- |
| 5. | Armed Security Guards | 160 | X or XII | 10000/--18500/- |
| 6. | Civilian Guards | 160 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 7 | Payroll Officer | 01 | M.com | 13000/- -20000/- |
| 8. | PSO | 12 | 10+2 or Graduate | 12000/- -22000/- |
| 9. | K 9 Squads | 08 | X or XII | 8500/- -15400/- |
| 10. | Front Office Exe. | 06 | Graduate | 8500/- -15400/- |
| 11. | Driver | 12 | X or XII with valid Licence | 8500/- -15400/- |

Interested Candidates may collect the application from the Head Office of the DELTA ONE SECURITY SERVICES(OPC) Private Limited located at khurai Lamlong Thongkhong near MRB by paying of 500/- INR as Application Fee. Last date for the submission of Application Form is Friday the 25th Febuary,2021. For more details please contact us @Mail ID : dhrmpvtltd@gmail.com

Sd/- Chief Executive Officer
Delta One Security Service(OPC) Pvt. Ltd

+91-8431803610, +91 9362273890
dhrmpvtltd@gmail.com
Khurai Lamlong Thongkhong, Near MRB,Imphal East Dist., Manipur (795010)

HL-P/8725/29/1-12/2


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com